# মালেমদা ঈং-তপ্পা অমদি নুংশিনবা পুরক্লবা মিৎয়েং - ১

ৱাখল ইহুল

**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

***খুন্নাই*** অমগী খ্বাইদগী পীকপা য়ুনিট অমা ওইরিবা ইমুং অমদগী হৌরগা মালেমগী চাউরবা খুন্নাই নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ওল্লি/হোংলি হায়বা য়ারে। লেপ্পা লৈতবা মীওইবশিংগী পূক্নিং ৱাখল, থিজিন-লৌশিং (সাইন্স), লৌশিং লাইশোন (রিলিজন), লৈঙাক্লোন, শেন্মীৎলোন, ঈরৈপাক-মীরৈপাকশিংগী মনুং অমসুং মপান্দা য়ানবা-য়ানদবা, ফীভম খরদা অমগা অমগা য়ানবা-য়ানদবা লৈরি হায়বসি অদুম খঙনৈ, উনৈ। ময়ামসিগী মনুংদগী খ্বাইদগী হেন্না শাফু কনবদি মীওইবা কাঙলুপ অমগা অতোপ্পা খরগা, মান্নবা মশেলশিংগী মরক্তা ফাওবা মশা মশাগী ওইবা ফজবা, অচুম্বা কয়া ঙাক্লবা হোৎনবদা মালেমগী ওইনা নুংশিনবা ঙমদবসিনি। খেন্নবা মরম ময়াম অমদি লৈরে অদুবু মালেমগী খুন্নাইদা অপূনবগী ওইনা নুংশিনবা করম্না পুরক্কদগে, ওইথোকপা য়াগদগে হায়বসি ইখন খন্নদনা অদুমক তোক্লদ্রা হায়বসিনি।

মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা থিজিন-লৌশিং অমসুং থৌওং/থৌশিল (সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি) গী অথোই অহেন চাংদম্নবনা/তান্নবনা চাওখৎপগী চাং অমদি তৌবা ঙম্বগী চাং লেপ্পদা, নাকল অমরোমদা, হেন্না নুংশিনদনবগী চাং ৱাংখৎহল্লকই। মালেমগী হোংলক্লিবা ইচেলগী মতুং ইন্না, য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংগী হীরম অয়াম্বদা তৌবা ঙম্বগী অমদি চাওখৎপগী থাক হায়ফেৎ মান্নরবদি মুক্ন রগা লৈনবা ফীভমনি। অমনা শোন্থখিবদা অমনা কনখৎনীংবগী থৌওং উথোরকপসিদনি নুংশিনবা ঙমদ্রিবসি। মসিগী মরুওইবা মরম অমুক থিগৎপা মতমদা মতম অমদা পূন্না পাক চাউনা লৈমিন্নরিঙৈদা মতমদুদা হান্না মালেমগী লৈপাকশিংদগী মাঙজিল থানা খুমাং চাউশিনখ্রবা, মতমদুগী ওইনা মালেমসি নমথনবগী অচৌবা মতিক ময়াই লৈখিবদগী মতম কুইনা নমথদুনা থম্লম্লগা, লৌথোকপা য়াবা লৈনুংগী পোখোক য়াওনা - লৌথোকখ্রবা মতুংদা মখোয়না তম্বীরম্বা ফত্তবা থৌওংশিংদুগী ম্যায়োক্তা মখল মখা কয়াগী নীংতম ঈহৌ/লান চথুরক্লবা মতুংদা মরৈবাক্তা হল্লমদাইদা তুংদা পূনশিন্দুনা লৈরবদি অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বসি হান্না খঙখিবদগী নুংশিনদনবগী মরু হুল্লম্বনা অয়াম্বনি হৌজিক মালেমদা থোক্লিবসি। তুংদা শোয়দনা কায়নরক্কদবা লৈরফাওবদা খরা থুনা/ঙন্না নুংশিনহন্দনবগী খূৎ থারম্বগী খুদমনি উরিবসি । হান্নদুগী খুদিং ইনবদগী লমদি পুরগা চৎপদি য়াদবনিনা লমদমদুদা লৈহৌবদা খরা হেন্না অমুক শিংবগী মঙাল ফংহৌবা কাঙলুপশিংনা মান্নদবা কাঙলুপ মচাশিং অমুক নমথনবগী থৌওং চথুরক্তুনা মখা তানা লোয়বা নায়দবা নুংশিনদনবগী মৈরি শন্দোকই। অসুম্না অকনবা/অচৌবনা অশোনবা/অপীকপশিং নমথবিবগী থৌওংশিং পেল্লক্তুবদগী মখোয়গী (অশোয়বশিংগী) হীরম খরদা মতেং পাঙবিবা/ফংবা য়াগদবশিংগী মীচং থিনরকপসি মসিগী মতুং তারকপা তঙাইফদবা খোঙথাংনি (ফোল্লো অপ এক্সন) নি।

কনাগুম্বা অমতগী মমিং মথা পন্দবিদা, শুপচন্না য়েংবদা, মালেমগী লৈপাকশিং (কন্টিনেন্ট/সব-কন্টিনেন্ট/কন্ত্রি) মখোয়শিংগী মনুংদা খরনা খ্বাইদগী নৌবা/হাইফেৎ মান্নবা অফবা খূৎলায় (মরুওইনা) পুথোক্লবা লোন্না হোৎনরকপদু অতৈনা খরা মাঙজৌননা খঙহৌরবদি য়াই/য়াদে হায়দুনা অথিংবা নৎত্রগা ৱায়েৎ খরা শোয়দনা পীরক্কনি। হান্না খঙহৌদবদগী পুথোক্লিবা পোৎশিংদু মায়পাকপগী চাংয়েং তৌনবা পুথোরকপা/হোৎনরকপদা লৈপাক অতৈনা শোয়দনা খঙলক্কনি। অদুদগীদি ৱাখল মান্নবা/মান্নদবশিংগী মরক্তা নুংশিনবা/নুংশিনদবগী চেন লৈনরক্কনি। মীচং খোম্নরক্কনি নৎত্রগা, শিবা চঙবগী ৱাফম লাকপদা খোঙফম চেৎনা লেপ্পবগী ফীভম/উংখৎনবগী থাক (টেন্সন) য়ৌনরক্কনি/লৈনরক্কনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমশিংদি - মরম খরদা ৱাখল মান্নবা, অমগা অমগা মতেং পাঙননবা নৎত্রগা মতেং পাঙনবগী মথৌ তারকপদা - লৌশিংগীবু ওইরো, খূৎশু-খূৎলায় লৈবা-য়োনববু ওইরো, পূন্না শেমগৎ শাগৎমিন্নববু ওইরো, মচাক-মথুম (রো মেটিরিয়েল) য়াওনা মতেং পাঙনবদা নত্তনা ৱাইথোক ৱাইশিন তৌনরগা অহেনবা থিজিন-লৌশিং অমসুং থৌওং/থৌশিল ওন্থোক ওনশিন তৌননবা য়ান-চেরোল খূৎয়েক পীনবা, মহৈ মশিনগী লমদা মহৈরোয়শিং থাদোক-থাজিন তৌনবা, লৈঙাক্কী থৌগায় পুবশিংগী ওইনা ইন-সার্ভিস ত্রেনিং তৌনবা, লৈপাক মশেল মরক্তা মান্নবা খুন্নাইরোলগী অমদি নাৎকী ওইবা চৎনবীশিং, পীথোক-পীশিন তৌনবা (সোসিও কলচরেল একচেঞ্জ), লৈপাক অনীগী অফবা/ফজবা লৈঙাকলোনশিং নৈনবা (পোলিটিকেল কনফরেন্স), ফজবা/অফবা মরী থম্নবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা থবক পায়খৎনবা (দিপ্লোমেটিক রিলেসন), মসিদগী হেন্দোক্লগা লম লমগী ওইনা তংদু লৈতাবা (রিজনেল ষ্টেবিলিটি) পুরক্লবা, মালেমগী ওইনা য়াইফ থৌরাং খন্নরগা পুথোক্লবা মান্নবা ফজবা অমদি অচুম্বা পূন্না ঙাকমিন্নবা য়াগদবশিং লৈপাক অচৌবা (পৱার/সুপর-পৱার) অমদি চাওখৎলক্লিবা (দিভলপ্পীং), অপীকপা (অন্দর দিভলপ) খরা পূনশিন্নদুনা শেম্বা মালেম থাক্কী লূপশিং (ওর্গেনাইজেসন/বোদি) কয়া লৈরি। হকশেলগী লমদা, শেল থুমগী লমদা মখল কয়াগী লূপশিং লৈনরি। ফনা য়াম্না মখল মখাগী লূপশিং শেমদুনা লৈরবসু মদুদা মপাঙ্গল কন্না, মতিক ময়াই লৈনা মেম্বর ওইবা লৈপাক অমনা নৎত্রগা মত মান্নবা মখোয় খরনা ময়ামগী ৱারেপ য়ানীংদবদগী অথিংবা পীবা ঙম্বা থৌনা (ভেটো পৱার) হেক শীজিন্নরকপা মতমদা মালেমদা ঈং-তপ্পা অমদি অপূনবগী ওইবা নুংশিনবা ফীভম হায়বদু ওইবা ঙমদে। অসুম্না মালেমগী খুন্নাই খরদা তংদু লৈতাদবা হায়বদু অদুম ওইরি।

মথক্কীসি থোকহন্নবগী মরমশিং অদুম য়াল্লমগনি। য়ানদিবশিংগী মরক্তা মশা মশাগী ওইজবা ফজবনি, অচুম্বনি হায়বা কাঙলোন ময়াম অমা লৈজরমগনি। শম্না হায়রবদা, ফজবা অমদি অচুম্বা য়াম্মনবদগী মালেমগী খুন্নাইদগী হেন্দোক্তুনা পীক্লবা ষ্টেট অমগী মনুংদা ফাওবা মদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা নুংশিনবা ঙম্নদ্রি। খুদম, মী মশীং খরা য়াম্বা ইমুং অয়াম্বদা ফাওবা লৈমিন্নরিবশিংগী মরক্তা অশেংবা নুংশিনবগী মমি তাদবা য়াওরি। মপান থোক্লদি উনদ্রবসু, অশিংবা ইমুংশিংগীদমক্তদি মনুংদদি থরুম তৌনবা হায়বদু লৈতবা নত্তে। অহিংবা তূমদুনা লৈরিবা মৈগী চীংগুম্বনি। পোকখায়রকপদা চঙবা শাবগী চাং য়ৌদ্রিবমখে কৈদৌঙৈ পোকখায়রক্কদগে খঙদনা লৈবা ফীভম অদুগুম্বনি। তশেংনা হায়রবদি মালেমগী লৈপাক কয়াদা ফোংনা নৎত্রগা লোন্না পৈশিন্দুনা থম্নরিবা তাইবঙপানশিংবু উৎ ওইনা তুমহন্দুনা মাঙহনবা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র ইনর্জিশিংসিনি হায়নিঙাই লৈতনা কিনিঙাই ওইরিবদি। মশা মশাগী ওইজবা অচুম্বা ফজবা ৱাখল্লোনশিংদি লোয়না নৈনরিবমক্তনি। খুদম, মালেমবু মাঙহনবা ঙম্লবা ন্যুক্লিয়র ৱেপনশিং/বোমশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনা শেম শাবা হায়বসি ফজবা কাঙলোননি। মফম-মতম-মরম চানা শীজিন্নবা হায়বগী ৱাখল্লোন চেনবা হায়বসিনা অমুক অচুম্বগী লিচৎনি। অহুমশুবা ওইরিবা- নুংশিবা/নুংশিনবা ঙম্বা হায়বসিগী মতাংসিদনি মালেমগী ওইনা অনৌবা ময়োন অমদা চঙশিন্নীঙাই ওইরক্লিবসি।

মীওইবনা মীওইববু হাৎপা ঙম্বা খূৎলায়শিং, কেমিকেল ৱেপনশিং, বাইওলোজিকেল ভাইরসশিং পুথোক্লবগী/পুথোক্লিংবগী ৱাখল হোংদোক্তনা মাঙজিল থানবা হোৎনরবা, পুথোকপদা খঙহৈরে হায়দুনা মখোয় খরনদি পুথোকপদা অথিংবা থমদ্রগা, ফত্তে খন্দ্রগা অতোপ্পনা তৌরকপদনা থিংনবা হোৎনগে হায়বা থৌওং, ফত্তে হায়নীংবগী অরানবা-নাপল তৌবা ৱাখল/থৌওং, অতোপ্পবু শিংনদুনা শাউহন্নবা হোৎনরিবা ৱাখল/থৌওং হেক হোংদোকত্রিবমখৈ/লেপত্রিবমখৈ - শম্না মালেমগী খুন্নাইদা তংদু লৈতাবা নুংশিনবা ঙম্বা হায়বদু শুকওই ওইথোক্লোই। অসিগুম্বা থিজিন হুমজিনবদগী পুথোরকপা মখল খুদিংমক নোবেল প্রাইজ পীদুনা ইকায়খুম্নবা পীবিরোইদবনি। মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী অচৌবা য়েক্লবনি হায়না লৌগদবনি। মীওইবা য়াওনা অহিংবা, কান্নরবা থৱায় পানবশিংগী কান্ননবা, হিংবদা চঙবা মচাকশিং/মরমশিংগী মরমদা থিজিন খোৎচিনবগী থবক তৌরিবশিংবু হেন্না পূক্নিং থৌগৎপীদুনা নোবেল প্রাইজ পীবিগদবনি। মালেমগীদা ঈং তপ্পা, শোয় ঙামদবা অচৌবা ইমুং অমত্তনি হায়না খন্নরবা মালেমগী অচৌবা খুন্নাইদা ওইরিবা ফীভমশিংবু তিঞ্জং কাইজংদনা, মশা মউ ফনা থম্বা ঙম্নবা মায়কৈরোমদা খুমাঙ চাউশিন্না মপুন্সি কথোক্লিবশিং পূম্নমকপু মালেমগী খুন্নাইদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না থাগৎপগা লোয়ননা হেন্না পুন্সি নুংশাংনা হিংদুনা লৈহনবীনবা মালেমসিবু শেন্বীরক্লিবা/ওইহনবীরক্লিবা মপূ ইবুংঙো মাগী মফমদা পূন্না থৌনিজগদবনি। মতমদুদা অপূনবগী নুংশিবা হায়বদু ওইগনি। মরমদি অদুগুম্বা খঙ হৈরবা, পুকচেল চাউরবা মখোয়শিংনা তৌরিবশিংদু মখোয় মশা মতোমতগী কান্ননবা নত্তে। নুংশিনবা-নুংশিনদবা থিদনা মালেমসিদা হিংদুনা লৈরিবা তুংদসু লাক্কদৌরিবা মীওইবা অমদি অহিংবা খুদিংমক্কীনি।

মসিগী ওন্ন-তৈনবদা, মীওইবা য়াওনা অহিংবা থৱায় পানবা খুদিংমক্কী পুন্সিবু তেমশিংনরিবশিংগী মরক্তা হেক য়ানরক্তবা মতমদা লোৎশিন্দুনা/পৈশিন্দুনা থম্নরবশিংদু মীকপ অমগী তেনখ্রবা মতমগী মনুংদা মচেৎ মকাই কয়ানা খুজিং ওইবা তেনবদগী তেল্লবা মতমগী মনুংদা ফ্রং ফ্রং কাপথোক্লরক্তুনা মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওল্লক্তুনা হৌজিক হৌজিকমক নিংদোল পোম্না লৈনরিবা মালেমগী খুন্নাইসি করি ওইরক্কদগে খঙদবা ৱাখলনা লাম্বা/শাবা অনৌবা তাইবঙপান অমা ওইরক্লবা খোঙচৎ/লম্বেল থিবদা পূক্নিং চঙগদ্রা/মায় ওনশিনগদ্রা?

# বি জে পিগী পোলিটিক্সকী শাফু অমসুং খোঙথাং

**ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা**

***হন্দক*** পাঙথোকখিবা ষ্টেট মঙাগী ইলেক্সন অদুনা ইন্দিয়াদা বি জে পি লৈঙাক্কী মংলান অদু মঙফাওননবা হোৎনবদা পোলিটিক্সকী খ্বাইদগী লিংজেল মান্নবা, অমত্তা ওইবগী মতৌদা মতেং পাঙদুনা সেন্তরগী মন্ত্রিশিংনা চাওরবা থৌদাং লৌখি। ইন্দিয়ানা নীংতম্বদগী হৌনা কোংগ্রেস পার্টিনা ইন্দিয়াগী এদমিনিষ্ট্রেসন্দা মপূং ওইনা কয়ারক লিদ তৌরকখিবা অদু কুমজা ২০১৪ দগীদি সেন্তরদা বি জে পিনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক পায়রকপদগী অতৈ রাজ্য কয়াদসু মথং মথং বি জে পিগী লৈঙাক লাকখি। উত্তরাঞ্চল অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী কোংগ্রেসকী লৈঙাক খূৎপাই অমদি খঙহৌদনা অরুনাচল প্রদেশকী লৈঙাক বি জে পি লৈঙাক্তা ওনখিবা অমুক হন্না থোক্লরোইদবা থৌওংনি। বি জে পিগী আইদিওলোজি পাম্বদগী হৌরকপা শক্তমনি হায়বা য়াই।

হন্দক পাঙথোকখিবা ষ্টেট মঙাগী ইলেক্সন অসিদসু উত্তর প্রদেশতা সেন্তরগী শক্তি লৈরবা বি জে পিগী মন্ত্রি কয়া, এম পি কয়া লিংজেল মান্নবা অকনবা ৱাহৈগী শাফুনা নিলখি। কোংগ্রেস পার্টিদা প্রসিদেন্ট ওইরিবা অমদি মচিন কল্লা কল্লবা কোংগ্রেসকী সেন্তরগী লিদর কয়া য়াওদনা মরুওইনা নহা ওইরিবা ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমদি কোংগ্রেসকী সেক্রেটরিগা লোয়ননা মীওই খরা নত্তনা মখৌ পোংনা মায়োক্লবা য়াওখিদ্রে। মদুগী মরক অদুদা সমাজৱাদি পার্টিদা চয়েৎনবা থোরকপা, ময়াবতিনা শোন্থখিবা মতম অদুদা বি জে পিনা ইন্দিয়াগী ওইনা লায়রা অনং, তোল্ল-তারবা কয়াগী ইন্সুরেন্স অমদি যোজনা কয়ানা কান্নহল্লকপগা লোয়ননা বি জে পিনা উত্তর প্রদেশতা মপূং ফানা ভোট ফংবতা নত্তনা বি জে পিগী লৈঙাক মায় পাকখি।

উত্তরাঞ্চলদসু বি জে পিগী মচিন থৌরবা মন্ত্রি অমদি মশা কয়াগী অকনবা শাফুগী শক্তিনা মায় পাকপা হায়বদু ওইখি। অসুম্না হোৎনবা কনবগী শাফুনা গোৱাদসু কন্না হুম্লকখিবদগী মায়থীগে তৌরম্লবা পার্টি অসিনা মায়পাকপা ঙমখি। পঞ্জাবতদি নোংলৈ অদু থৈদুনা চৎখি। মণিপুরদদি বি জে পিগী সেন্তরগী মন্ত্রি কয়া, এম পি কয়া, আসামগী বি জে পিগী লৈঙাক্কী মরুওইবা মন্ত্রি কয়া অমনা মণিপুরদসু ওমশিন্দুনা তোয়না তোয়না লিংজেল মান্ননা তত্তনা লাক্তুনা, পুন্দুনা, অনকপা-অরাপ্পা থিদনা কয়া ৱানা অহিং ফাওবা য়ারেক্তুনা মায়পাক্তবা য়াদে হায়না চাবা থকপা, তূম্বা খঙদনা শোয়বা য়াদে মতৌগুম চীং অমসুং তমদা শুরু-শুরু নৈনা নৈরকপনা মণিপুরদা মমিংতা ঙাইরম্বা বি জে পিনা মায়পাক্লবা লম্বী ওইখি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ন্যুজ, ওল ইন্দিয়া রেদিওদা লাকপদা হন্দক ভোট ময়াদা সেন্তরদগী মন্ত্রি কয়া মণিপুরদা তোয়না থৱায় য়াওনা লাকপীরিবা অসিগুম্না অতৈ মতমদসু মরক মরক্তা অসুম্না বি জে পিগী মন্ত্রি কয়া তোয়না লাকপীরবদি মণিপুর শোয়দনা চাওখৎকনি হায়না পনখিবা ৱাহন্থোক য়াম্না লৈ। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমনা হন্দক্কী ষ্টেট মঙাগী ইলেক্সন অদুদা তোঙান তোঙানবা রাজ্য কয়াদা তোয়না চৎতুনা ৱা ঙাঙবা, রোদ শো তৌবা, লাপখ্রবা লমদম মণিপুরদসু লেংবিরক্তুনা ভোট খোন্বীরম্বা, হোম মিনিষ্টর অমদি অতৈ মিনিষ্টরশিংগী মণিপুরবু চাওখৎনবা থন্বীরম্বা ৱাহৈশিংনা হুমদুনা মণিপুরদসু লিংজেল মান্নবগী শাহুম অদুগী অচেৎপা থাজবনা মীচম মীয়াম পূম্নমক পূক্নিং হোংহনবগুমখি। অদুগা য়াম্না লুরিবা অমদি ফিদমনীংঙাই ওইবা আইদোলোজি অসিনা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিবা রাজ্য মচা কয়াদসু ইফেক্ট ওইরক্কদবা মানবগী মতৌসু হন্দক্কী বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌরাংশিং অসিনা অওনবা পুরক্কদবা মানবা মতৌসু লৈরি।

ঙক্লিবদি ইন্দিয়াগী বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর অমগী ৱাংলবা ৱাখল লায়রবা মীচম মীয়ামগী কান্ননবা থৌরাংশিং খুদম ওইনা সুখমা জয়োতি যোজনা, প্রধান মন্ত্রি সুরক্সা মালিয়া অভিয়ান, প্রধান মন্ত্রি ফসন যোজনা, প্রধান মন্ত্রি সুরক্সা বিমা যোজনা, প্রধান মন্ত্রি জনধন যোজনা, দিন দয়া উপসিট জয়োতি যোজনা, সকনৎ সমিধি যোজনা, সকায়ানা সমাধি যোজনা, লক্ষী গ্রহ যোজনা, দিল দয়াল উপধয়া, দিজিটেল গ্রুপ যোজনা অমদি চেঙ কেজি অমদা লুপা ৩ দা ফংহনবা লোয়ননা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী চাওখৎ থৌরাংগী রিলেসন কয়ানা ইন্দিয়াবু মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা শিংথানবা অমা ওইরক্লবা লৌখৎলিবা থৌদাং কয়া অসিগী মরমদা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্দুনা ইন্দিয়াগী অমদি মণিপুরগী হৌজিক মতমগী লাইরিক লাইশু হৈরবা কয়া অমদি ইন্দিয়াগী বি জে পি লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা লায়রব-অনং, তোল্লা-তারবা কয়াগী চাওখৎনবা বেঙ্কতা মরী লৈনহনবা অমদি দিমোনেটাইজেসনগী তোংজরক্লবা কয়া মচা খায়না এৱ্যের্নেস পীদুনা মীচম মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী মতাং ফাওবা য়াওহল্লম্লবদি হেন্না ফজগনি অদুবু পোলিটিক্সকী অপূনবা শক্তম্না মমাঙগী লৈঙাক্কী অশোয়বা কয়াদা মরাল শিবনা ওইখি। অদুম্নমক মণিপুরদা বি জে পি মায়থীগে তৌরম্বদগী পার্টি অসিগী অতোপ্পা মপাংশিংনা শৌগৎলকপদগী কোংগ্রেসপু নমদুনা মায়থীহন্দুনা বি জে পিনা মায় পাকপা ওইখিবনি।

অরোইবদা, ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা প্রধান মন্ত্রিনা মাগী মায় পাক্লকপদা মহাত্মা গান্ধী, সদর বলাভায় পটেল অমসুং ডা. অম্বেদকরবু কাউঙমদনা শিংথাদুনা লৈরিবা অসিগী ৱাহন্থোক অমা লৈ হায়বসি তোল্লবগী ৱাখলনি। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল কয়া কয়াবু চয়েৎনদনা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদুনা ইং তপ্পা অমদি অমত্তা ওইবগী থৌদাংদা শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়বা পান্দম লৈবগুম্বনি। তৌইগুম্বসুং মীচং শঙ্গ অমদি করপসনদি পুংমুৎ মুখৎনবা হোৎনবীগে হায়রবদি ইন্দিয়াগী ইলেক্সন কয়া, রাজ্য কয়াগী ইলেক্সন কয়া, সিটি অমদি ম্যুনিসিপালিটিগী অমদি প্রধান, মেম্বরনচিংবা গ্রাসরুটতগী খ্বাইদগী মথক থোংবা ফাওবদা ভোটতা শেল য়েনবা য়াদনবা কাঙলোন অমদি লৈঙাকসিনা শোয়দনা শেন্নগদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মঙলান অদু মঙফাওনগদবনি। মরমদি ভোটতা শেল য়েনবা হায়বসিসু করপসননি, করপসনগী হৌরকফমনি। এন্টিদিফেক্সন লোদা পার্টি অমদগী পার্ট অমদা চোঙথোক চোঙশিন তৌরিবা কেন্দিদেটশিং অদু চহী ১০ হায়বদি টার্ম অনী ফাওবা ভোট লেপ্পা য়াহন্দনবা হায়না এক্ট অদুদা হাপচিনবিদুনা নোংজুগী পার্লিয়ামেন্ট সেসন্দা খন্নবীবা ফগনি। হৌজিক্তি লাইরিক লাইশু হৈরবা ইন্দিয়া অমা ওইরবনিনা রাইট টু সেট্রল এনি পার্ট ওফ দ টেরিটোরি ওফ ইন্দিয়া হায়বসিসু ইন্দিয়াদা ফুরুপ কয়া, লাইনীং কয়া, লোল মান্নদবা কয়া অমদি ত্রাইব কয়া লৈবনা মত মান্নদে। ইন্দিয়া মচা কয়াদা অমেরিকান কন্ত্রিনা তাথিনা য়েংলক্লিবা মীৎয়েং অদুদগী কা হেনবা নৎত্রবসু ইন্দিয়া মনুংদসু লমদম লমদমগী য়েলহৌঙৈ কন্ননবা হোৎনরকপদা ইন্দিয়া মচা মশেল মরক্তা মুক্নরকপা য়াবা ফীভম লৈগনি। অফ্রিকাগী দুবাইদা হৌজিক চৎনরিবা থবক শুবা অমদি সার্ভিস তৌবদি য়াহল্লগা পার্মিনেন্ট সেট্রলমেন্টতি য়াহন্দে। মতাং অসিদা রাইট টু সেট্রল এনি পার্ট ওফ ইন্দিয়া হান্না অমুক্তা খন্নবিয়ু। লৈঙাক্কী হায়র ওথোরিটিদা থবক তৌবা কয়া নত্তনা মীচম মীয়াম্না লোন-লীসু খঙনদবা, লাইনীংসু মান্নদবা, মরী মতা, মচিন মনাওসু লৈতবা মফম অমদা লৈবা অরাইবা থবক নত্তে।

ঙসিদি ইকায় খুম্নজরবা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী ফজরবা পোলিসি অসি মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা খঙনরক্লবনি। মরম অসিনা (শক্তি লৈরবা শাফু কল্লবা) লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং খরা শান্না খন্থবিদুনা ইন্দিয়াবু ইংনা তপ্পা পানবা মালেমগী মনুংদা অথোইবা লৈবাক অমা ওইহন্ননবা শিনবীরক্লনি হায়না মীয়াম্না থাজনরি। অরোইবদা ঙক্লিবদি শোয়বা য়াদেকো হায়না ৱাখল মান্নবা কয়ানা অওনবা অমগী লিংজেল মান্ননা অৱা অনা কয়া খাঙনা কন্না হোৎনরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বসিনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মণিপুরগী সী এম অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা নীংশিংজবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***ঙসিদগী*** চহী ২০/৩০ মুক্কী মমাঙদগী হৌনা মণিপুরগী ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবগী ওইবা এদ্যুকেসন অসি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবা ঙম্নবা হোৎনরক্লিবা অসি প্রাইভেট স্কুলশিংগী অচৌবা থৌদাং অমনি হায়জনীংই। হায়রিবা অসুক শাংলবা মতমসিদা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংনা করি থৌদাং লৌখি হায়বসু নীংশিংবিয়ু।

ঙসি ফাওবদা এম সী এস, এম পি এস, আই এ এস, আই পি এস, আই এফ এসনচিংবা ফংলক্লিবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা চাদা ৯০ হেনবদি প্রাইভেট স্কুলদগী হৌরকখিবা ঙাক্তা ওইরি। অদুবু ঙসিদি মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংবু কাউথোকপগুম উরি। ফী লৌরিবসিসু কৎথোক্লবা ওজাশিংদা অপীকপা তলব পীনবনি অমসুং স্কুলবু লু-নান্না থম্নবনি। অদুগা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরবদি য়াম্নসু নেম্মী।

প্রাইভেটপু হায়রবদি লান্না উহন্নবা হোৎনবগুম তৌনরে। ইন্দিয়াগী ফাওরবা ইনষ্টিট্যুসন অয়াম্বা প্রাইভেট ঙাক্তনি। প্রাইভেট হায়বসি তোক্লসি খল্লদি রিমস অমসুং জেনিমসতগী অনাবা কয়া সিজদা রিফর তৌরিবসিনা করিগীনো? ববিনাদা টেষ্ট তৌদনা ঐখোয় কদাইদা তৌগদৌরিবনো? ইম্ফাল হোটেল হৌজিক কনানা রন তৌরিবগে?

গভর্ণমেন্ট স্কুলদা তলব চাউবা ওজাশিংনা লেম্নসু লাইরিক পীরিবা, মিদ-দে-মিলসু পীজরিবা, ফীসু লৌদবা, এদমিসনসু ফ্রী ওইরফাওবদা মমা-মপা অমদি অঙাংনা স্কুলদুদা তম্মু য়াদ্রিবা করিগীনো? মসিনা তাকপদি এদ্যুকেসন হায়সি পনখৈ লৈতে, মসিদা নম্ফু শাফু তৌবসু য়াদে হায়বনি। মদুদি লাইনীংবা অমবু ফজবা বিল্ডিং এয়র কন্দিসন য়াওবা অমদা লাই নীংউ হায়বদা য়ারক্কদ্রা? এদ্যুকেসন্দা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ফিরেপ লৌবসু অরুবা ওইগনি মরমদি মসি অরাইবা পোৎশক নত্তে, শোয়খ্রগা হেক্তসু শেম্বা য়াবা নত্তে। মতম চঙনা অখঙ-অহৈ, নহা-অহল পূম্নমক্কী অমদি ষ্টেট কয়াগী, কন্ত্রি কয়াগী ৱাখল্লোন চিংশিন্দুনা শেম শাবা চঙই খল্লি।

ঐহাক্কী অচম্বা ৱাকৎতি করিসু নত্তে- প্রাইভেট এন্দ গভর্ণমেন্ট অনীগী খেন্নরিবদি ওজাগী দিসিপ্লিন অমদি থৌদাং অদুখক্তনি। শম্না হায়রবদা (১) মতম চানা স্কুল কাবা-কুম্বা অমদি ছুটি লৌদবা (২) সেলেবস থা ২/৩ গী মমাঙদা লোইদুনা রিভিজন তৌবা (৩) লু-নানবা অমদি ফিজেৎ-চাকচা (৪) মহৈরোয়শিংবু মচাদগী হেন্না নুংশিজবা (৫) মহৈরোয়শিংগী পুন্সিগী পান্দম খঙহনবীবা অমসুং থৌনা হাপ্পীবা (৬) কম্পিটিটিভ ওইবা ৱাখল্লোন লৈহনবা (৭) লু-নানবা অমসুং হকচাং ফবগী কান্নবা খঙহনবা অমসুং তৌহনবা (৮) দিসিপ্লিন তম্বীদুনা নোল্লুকপা মশক খঙহনবা, মমা-মপা অমসুং ওজাবু মীৎনা উবা লাইনি খলহনবা (৯) ফজবা ৱাহৈ ঙাঙদুনা পূম্নমক্লা নুংশিহনবা (১০) থৌনা লৈবা, অচুম্বা তৌবা অমদি কিদবা (১১) মশামক্লা স্কুল অদু মশামক্কীনি খঞ্জবা ঙম্বা অসিনচিংবনি।

অরোইবদা, স্কুল বিল্ডিং কয়া শাগৎলবসু মিদ-দে-মিল পীজরবসু, লাইরিক ফ্রীদা পীরবসু, মন্থলি ফী লৌদ্রবসু, এদমিসন ফ্রী ওইরবসু ওজাগী পরম কায়রবদি সী এম অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী পান্দম ফংহনবা ৱাগনি। প্রাইভেটসু, গভর্ণমেন্টসু চাং মান্ননা ফগৎনবা পোলিসি পুথোকপীয়ু।

*অদোমগী - কে ঐচ মুদ্রাশখি দেবী*

### মরোল থোকপা লাই




### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১। ''বিশ্ব তাইবঙপানবনা কপ্পা কপ্পা লোইখিনি/নূংদা ইবা ঐখোয়না নোক্লা নোক্লা লৈহৌনি।'' কবি কনানা হায়বনো?

২। ''কোয়চেন চেল্লি ফি থোংদ্রবা/নুপীশিংনা/কোয়তাল তাল্লি ফিমু শেৎপা/নুপাশিংনা।'' পরেংশিংসি 'মঙদসু তাইবঙদসু' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবি কনানা ইবনো?

৩। ''পানখৎলকপা থাজ/থুনা শিদোক্তুনা/থাশি ওনখ্রি/মহাক খঙমাল্লে/মফমসিগী অতিয়া/অহিংবা লৈবা য়াদে।'' পরেংশিংসিনা রঞ্জিতা কোন্থৌজমনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। প্রেমচন্দগী 'সপ্তসরোজ' বু মণিপুরীদা 'থম্বাল তরেৎ' হায়না হন্দোকখিবদু কনানো?

৫। নৈন-ৱারেং 'শৈরেংদসু ৱারেংদসু' হায়বদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।